

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, MAY 11, 2018 PAGE 7



*পাকিস্তান ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন সরফ্রাজ অহমেদকী এলিগেসনদা স্পোট ফিক্সিংগা মরী লৈনৈ হায়না ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা সস্পেন্দ তৌখ্রবা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস ক্রিকেট টিমগী কোচ ইরফান অন্সারি*

*য়ুএসএগী সিটি লোং আইলেন্দদা চথরিবা সিটি ভিয়ু ওপন স্কৱাসকী মেটচ অমদা ইজিপ্তগী শান্নরোই অহেমদ হোসনিবু থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদিত্য জাগটাপ*

## ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সমির বর্মগা লোয়ননা প্রনিথসু ওস্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*সিদনি, মে ০৯ঃ*

ওস্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা চথরিবা ওস্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী সমির বর্মগা লোয়ননা সাই প্রনিথসু টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা জপানগী শান্নরোই টাকুমা উরেদাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা গেম জপানগী শান্নরোই অদুগী মায়কৈদগী ফজবা লম্বা খরা পীরকপখ্রবসু ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। গেম অমা মাঙজিল থারবা সমিরনা অনীশুবা গেম অদুদসু ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী জপানগী শান্নরোই অদুবু ২১–১২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেসিয়াগী চোং ৱৈ ফেংবু ২১–১৫, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্বা চাইনাগী লিয়ু গুৱাংঝুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শন্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই বি সাই প্রনিথনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী পিএ মোলানাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।



*ওস্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম*

অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী প্রনিথনা ইন্দোনেসিয়াগী মোলানাবু ২১–১২ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদসু প্রনিথগী মায়কৈদগী ইৱা ৱাদনা ২১–১৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেসিয়াগী চিন জুন ৱৈবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১–১৭, ১২–২১, ২২–২০ দা থোইরম্বা হোং কোংগী শান্নরোই লি চিয়ুক লিয়ুগা শান্নরগনি।

ওস্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভাইসভি রেদ্দি জাকা চাইনাগী শান্নরোই হান য়ুগী মখূত্তা য়াম্না কোম্না ৫–২১, ৫–২১ দা মায়থিহৌবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিদে।

চাইনাগী হান য়ুনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই ৱেন্দি চেনবু ২১–৬, ২১–৯ দা থোইরম্বী জপানগী শান্নরোই আয়ুমী মিনেগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ হোং কোংগী চিয়ুং এন ৱাইনা স্বিজরলেন্দগী শান্নরোই সাব্রিনা জাক্বেটপু ২১–৯, ২১–৫ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী মাইনাকিবু ১৯–২১, ২১–৮, ২১–৬ তা থোইরম্বী জপানগী শান্নরোই য়ুকিনো নাকাইগা শান্নরগনি।

ওস্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র অনী লম্বা তৌনরগনি।

৩শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দিনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র চোই অমসুং পার্কপু ২১–১৭, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

৭শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী আর্জুন মাদাথিল রামচন্দ্রন অমসুং রামচন্দ্রন স্লোকনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী পেয়র হিরোকী ওকামুরা অমসুং মায়াসুকী ওনোদেরাবু ২১–১৫, ২৫–২৩ দা থোইরম্বনি।

ওস্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র মেঘনা জাকম্পুদি অমসুং পুর্ভিসা রাম জপানগী পেয়র মিকি কাসিহারা অমসুং মিয়ুকি কাটোগী মখূত্তা ১১–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র সিভম শর্ম্মা অমসুং পুরভিসা রাম সাউথ কোরিয়াগী সিও এস জে অমসুং চে ৱাই জেগী মখূত্তা ৬–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌখি।

## জুবেন্টসনা এসি মিলানবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইটালিগী কোপা ইটালিয়া ফুটবোলগী ১৩রকশুবা টাইটল ফংখ্রে

*রোম, মে ১০ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা ইটালিয়া ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সেরি এগী মকোক থোংবা ক্লব জুবেন্টসনা এসি মিলানবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি কোপা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ সিজন অসিগী সেমি ফাইনেলদা জুবেন্টসনা এটলান্টাবু এগ্রিগেটতা ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা জুবেন্টসকী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা এসি মিলাননা সেমি ফাইনেলদা লাজিওগা অহানবা অমসুং অনীশুবা লেগতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওট কাওনবদা মিলাননা ৫–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ইটালিগী কোনুং রোমদা লৈবা ষ্টদিও ওলিম্পিকো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কোপা ইটালিয়াগী ফাইনেল মেটচ অদুদা জুবেন্টস অমসুং এসি মিলাননা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অহানবা হাল্ফ অদুদা শান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।



*কোপা ইটালিয়াগী টাইটল ফংখ্রবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুদা এসি মিলানগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। এটেক ময়াম তৌশিনখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা জুবেন্টসকী শান্নরোই মেধি বেনাটিয়ানা শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এসি মিলানবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা দোগ্লাস কোষ্টানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মিলানবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

এসি মিলানগী শান্নরোইশিংনা শোত্থরিবা পাঞ্জল ২ অদু হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মেধি বেনাটিয়া মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এসি মিলানবু ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা এসি মিলানগী শান্নরোই নিকোলা কালিনিকনা কাওথোকখিগদবা বোল অমা মখোয়গী গোলদা শোয়বদগী চঙখিদুনা পাঞ্জল ওইখিবদগী জুবেন্টসনা মখোয়বু ৪–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৪ রোম অদুদা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবা অমসুং এসি মিলানগী মায়কৈদগীসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী কোপা ইটালিয়াগী ফাইনেল মেটচ অদু জুবেন্টসনা এসি মিলানবু ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩রকশুবা টাইটল লৌখি।

## ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*মাদ্রিদ, মে ১০ঃ*

ফ্রান্সকী শান্নরোই কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা চথরিবা মুটুৱা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ফ্রান্সকী টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ কেরোলিন গার্সিয়ানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারোবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভাবু ৪–৬, ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্বী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান ওইবদা নত্তনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানসু ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা প্লিজকোভা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



*মাদ্রিদ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ফ্রান্সকী গার্সিয়া (ওই) অমদি জেক্কী প্লিজকোভা*

প্লিজকোভানা সেমি ফাইনেলদা ১৪শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা অমসুং ১০শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসননা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী ফিলিপ কোলস্ক্রেৱরবু ৬–৩, ৭–৬(৯–৭) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বৃটেনগী কে এদমুন্দ অমসুং কানাদাগী সাপোভালোভ লম্বা তৌনরগনি। এদমুন্দনা ৮শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরমখি। অদুগা সাপোভালোভনা অতোপ্পা কানাদাগী শান্নরোই মিলোস রাউনিকপু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ভেসেলিন সাউথ অফ্রিকাগী ক্লাসেন অমসুং ওস্ট্রেলিয়াগী ভেনসকী মখূত্তা ৬–৪, ৬–৭(৪–৭), ৫–১০ দা মায়থিহৌখি।

## ইন্দিয়াগী রেফরি উভেদা ফর্নান্দেজ নুপীগী চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা ওফিসিয়েট তৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, মে ১০ঃ*

চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্টথাগী ৫ দগী ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী রেফরি উভেনা ফর্নান্দেজ ওফিসিয়েট তৌরগনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী রেফরি উভেনা ফর্নান্দেজ জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ফাইনেল মেটচতা ওফিসিয়েট তৌদুনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা নুপী রেফরি ওইখিবনি।

লোয়ননা চহী ১৭ মখাগী ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অদুগী মেটচ ৪ ওফিসিয়েল তৌদুনা মথৌদা পূক্নিং চঙবা অমদি হোৎনবা কনবা অদুগীদমক কুমজা ২০১৬ তা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এএফসি) গী রেফরিস স্পিসিয়েল এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখিবনি।

চহী ২০ মখাগী ৱুমেন্স ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা ওফিসিয়েল তৌনবগীদমক খল্লক্লবী উভেনা ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না তেল্লবা মতম চহী অনীগী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ওফিসিয়েট তৌনবগী খল্লকপা অসিনা মহাক্কী মঙলান অদু মঙফাওনরে হায়খি।



ইন্দিয়াগী ফুটবোল বোদি অমা ওইরিবা এআইএফএফপু মহাক্কীদমক লৌখিবা থৌদাং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা উভেনা ফর্নান্দেজনা মখা তানা হায়খিবদা হোংলক্লিবা খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদসু অহেনবা হোৎননিংবগী থৌনা পীরগনি।

## অদিত্য জাগতাপ সিটি ভিয়ু ওপনগী ক্বার্টর য়ৌখ্রে

*লোং আইলেন্দ, মে ০৯ঃ*

প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসন (পিএসএ) গী মীৎয়েং মখাদা য়ুএসএগী সিটি লোং আইলেন্দদা চথরিবা সিটি ভিয়ু ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদিত্য জাগতাপ মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ইজিপ্তগী শান্নরোই অহমেদ হোসনিবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী অদিত্য জাগতাপ ক্বালিফায়িং মেটচ ২ মায় পাক্লগা সিটি ভিয়ু ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রো য়ৌরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী অদিত্য জাগতাপনা টুর্নামেন্ট অদুগী অহুমশুবা সিদেদ ওইখিবা ইজিপ্তগী শান্নরোই অহমেদ হোসনিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং ১১–৯, ৪–১১, ১২–১০, ১১–৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

## কোচ ষ্টেফেন্স কোনষ্টেনটাইননা শান্নরোই ৩০ নেসনেল কেম্পকীদমক খনগৎখ্রে

*চেন্নাই, মে ১০ঃ*

চহী অসিগী জুন ১ দগী মুম্বাইদা শান্নবা হৌগদৌরিবা হিরো ইন্টরকন্টিনেন্টটেল কপ্তা শরুক য়াননবগী সেলেক্সন প্রোসেস অমা ওইনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল কোচ কোনষ্টেটাইননা শান্নরোই ৩০ নেসনেল কেম্পকীদমক খনগৎখ্রে।

কেম্প অসিদা শরুক য়াননবা খনগৎখ্রবা শান্নরোই ৩০ অসিনা চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা মুম্বাইদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। অদুমওইনমক খনগৎলবা শান্নরোইশিং অসিগী মরক্তা য়াওরিবা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংগী ওইনদি মে ১৮ দা লাক্কদবনি হায়রি।

হিরো কন্টিনেন্টটেল কপ অসিদা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা কেনিয়া, ন্যুজিলেন্দ অমসুং চাইনিজ তাইপৈগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। হিরো ইন্টরকন্টিনেন্টটেল কপ অসি কুমজা ২০১৯ দা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপকীদমক শেম শাবা টুর্নামেন্ট অমসু ওইরিবনি।



ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল কোচ ওইরিবা কোনষ্টেটাইননা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা এসিয়ান কপ অসি শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা অতোপ্পা ইন্টরনেসনেল মেটচ শান্নহৌবনা শান্নরোইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা অমা ফংহনগনি।

নেসনেল কেম্প অদুদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদিঃ–

গোলকিপরদা– গুরপ্রিত সিংহ সান্ধু, ভিসাল কাইথ, অমরিন্দর সিংহ অমসুং সঞ্জিবন ঘোসনি।

দিফেন্দরদা– লালরুৱাথারা, দাভিন্দর সিংহ, প্রিতম কোটাল, অনাস ইদাথোদিকা, সন্দেস ঝিংগান, সলাম রঞ্জন সিংহ, জেরি লালরিনজুৱালা, নরায়ন দাস অমসুং সুভাসিস বোসনি।

মিডফিল্ডরদা–উদান্ত সিংহ, লালদানমাৱিয়া রাল্টে, সৈমিনলেন দোংঙেল, ধানাপাল গনেস, সৌভিক চক্রবোর্তি, এমদি রাফিক, রোলিন বোর্গেস, প্রোনে হাল্ডর, অনিরুধ থাপা, বিকাস জাইরু অমসুং হালিচরন নার্জরিনি।

ফোরৱার্দতা– সুনিল ছেত্রি, বলৱন্ত সিংহ, জেজে লালপেখলুৱা, মনভির সিংহ, এলেন দিওরি অমসুং অসিক কুরুনিয়াননি।

## স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনা অমসুং সিভিলা মায় পাকখ্রে, ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ব্রাইটোন এন্দ হোভ অলভিওনবু ৩–১ দা থোইখ্রে

*মাদ্রিদ। লন্দন, মে ১০ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা বার্সেলোনাগা লোয়ননা সিভিলাসু মায় পাকখ্রে। ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ব্রাইটোন এন্দ হোভ অলভিওনবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বার্সেলোনানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ভিলারিয়েলবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু বার্সেলোনাগী শান্নরোই ফিলিপ কোটিনো ১১শুবা মিনটতা চনখি।

অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই পাওলিনোনা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ভিলারিয়েলবু ৩–০ দা হেন্দুনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই নিকোলা সান্সোননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। শান্নবগী ৮৭ অমসুং ৯০শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই ওসমানে দিম্বেলিনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ভিলারিয়েলবু মখোয়না ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা সিভিলানা রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

সিভিলাগী মায়কৈদগী ২৬শুবা মিনটতা ৱিসাম বেন য়েদ্দরনা অহানবা পাঞ্জল , ৪৫শুবা মিনটতা মিগুয়েল লায়ুননা অনীশুবা পাঞ্জল অদুগা ৯৪শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই সর্জিও রামোসনা (ওন গোল) পাঞ্জল অমা চন্দুনা সিভিলাগী পাঞ্জল অহুম শুখিবনি।

রিয়েল মাদ্রিদকী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা বোর্জা মায়োরেলনা অহানবা পাঞ্জল অদুগা শান্নবগী ৯০শুবামিনটতা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সর্জিও রামোসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ওইখিবনি।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ব্রাইটোন এন্দ হোভ অলভিওনবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি।